



# নুমিৎ ৪০নি অকনবা মওংদা লান শোক্লরবা মতুং য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনদুনা লান লেপখ্রে, ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হাংদোকপদা ইরাননা য়াখ্রে





ৱাসিংটন, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি):

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮দগী হৌদুনা য়ু এস অমদি ইজরেলনা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা ইখঙ খঙহৌদনা ইরানগী মথক্তা এয়ারষ্ট্রাইক চখ্থদুনা হৌরকখিবা মায়কৈ অনিগী মরক্তা শোক্লখিবা অকনবা লানফম অদু নুমিৎ ৪০নি শুরবা মতুং য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা চৎন-কাংলোন ১০দা য়ান্নবা পুরকপদগী সিজফয়ার চৎনদুনা লান লেপখ্রে।

য়ু এস-ইজরেল অমদি ইরানগী মরক্তা শোক্লখিবা অকনবা লানফম অদুবু মায়কৈ কয়াদগী লান লেপ্পনবা খঙহল্লক্লবসু ঙসি ফাওবা মায়কৈ অনিগী মায়কৈদগী হিরম অমত্তদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী নুমিৎ কয়ানি দ্রোন বোম্বিং, মিসাইল, এয়ারষ্ট্রাইকনচিংবা অকনবা মওংদা লানদা চখ্থদুনা মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শিংকুপ শানা থুগাইদুনা মাঙহনবতা নৎতনা মরাল লৈজদ্রবা পীক্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই কয়া লৈখিদবা অদু মায়কৈ অনিগী মরক্তা য়ান্নদুনা সিজফয়ার চৎনখিবা অসিনা খরমখৈদি শাফরগনি হায়না মালেমগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরক্লি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পাকিস্তানগী লীদরসিপকী খূৎথাংদা মায়কৈ অনিগী মরক্তা অৱাংবা থাক্তা ৱারী শান্নরবা মতুং য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা নুমিৎ ১৪নি সিজফয়ার থম্বদা য়ান্নবা পুরকপা ঙম্লে। মরম অদুনা আমেরিকাগী মিলিটরিনা ইরানগী মথক্তা এয়ারষ্ট্রাইক চখ্থদুনা লাকখিবা অদু খুদক্তগী লেপ্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ওফিসিয়েল ওইনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফ অমদি আর্মি চীফ অসিম মুনিরগী খূৎথাংদা ৱারী শান্নরবা মতুং সিজফয়ার অসি চৎনবদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিবনি। ইরানগী মায়কৈদগীসু মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পেট্রোলিয়ম প্রদকশিং পুথোক পুশিন তৌবদা খ্বাইদগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ইরানগী মায়কৈদগী হাংদোক্লগনি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাদোরকপা চেরোল অদুদা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা সিজফয়ার চৎনরিঙৈ লৈবাক অনিগী মরক্তা মতম কয়াগী মমাঙদগী মুক্লদুনা লাকখিবা অদুগী মতাংদা মখাতানা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা পুরকপা ঙম্নবগী খ্বাইদগী মরুওইবা তাঞ্জা অমসু ফংলগনি হায়না মহাক্না মখা তারক্লি।


অমরোমদা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা সিজফয়ার চৎনবগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পদা ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকখ্রবা মতুং ইরানগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলগী মায়কৈদগীসু সিজফয়ার চৎনরে হায়না লাউথোরক্লি। ইরানগী টেহ্‌রানদা লৈবা ফোরেন মিনিষ্টরনা সিজফয়ার চৎনদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা মতম কয়াদগী মুক্লদুনা লাক্লিবশিং ৱারী শান্নদুনা তুংকোয়বা ই-তপ্পা পুরক্ননবগী তাঞ্জা অমা ফংলগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা ক্রুদ ওইলগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ইরাননা থিংজিনখিবদগী মালেমগী কৈথেলদা ক্রুদ ওইল হান্না পীরম্বা মমলদগী চাদা ২০ হেনগৎতুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চাওনা চৈথেং পীখিবনি। ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ থিংজিন্দুনা থমখিবদগী ক্রুদ ওইলগী মমল হান্নদগী হেনগৎপদা নৎতনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা ফর্টিলাইজর অমদি চান-থক্লবগী পোৎলম য়াওনা মরুওইবা কমোদিটিশিং সপ্লাই তৌননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়াসু থেংনদুনা লাকখি।

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার লাউথোকখিবা অসিনা মতম পূম্বগী ওইবা ইং তপ্প লৈরগনি হায়বদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়বা ঙমদ্রি হায়নসু ৱাসিংটনদা বেজ তৌবা তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংনা রিপোর্ট তৌনরক্লি। অদুবু সিজফয়ার চৎনদুনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হাংদোকখিবা অসিনা মালেমগী পেট্রোলিয়মগী ওইবা কৈথেলদা হান্না পীরম্বা চৈথেং অদু নুমিৎ খরনিগী ওইরবসু কোকহনবা ঙম্লগনি। অসিদা নৎতনা মালেমগী ট্রেদ অমদি ফুদ সেক্যুরিটিদসু চাওনা অহোংবা লাক্লগনি হায়না রিপোর্ট তৌরি।

নাকল অমরোমদা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা সিজফয়ার অসিগী মনুং য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং অদু য়াসিন্নবা পুরক্তুনা তুংকোয়বা ইং-তপ্পা হঞ্জিলক্লবগী খ্বাইদগী মরুওইবা তাঞ্জা অমা হায়বদু ওইগদৌরি।

## ইরাককী আর্ম ফোর্সনা য়ু এসকী পাউমী কিতলসন থাদোরকখ্রে



বাঘদাদ, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি):

ইরানগা মরী লৈনবা ইরাক্কী আর্ম গ্রুপ কটেত হেজবোল্লাহনা য়ু এস কী পাউমী সেলি কিতলসন তেক্তা কায়দনা থাদোরকখ্রে।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা য়ু এসকী পাউমী কিতলসনবু ইরাককী আর্ম গ্রুপনা থাদোরক্লে হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট থোক্তুনা খঙহল্লকখিবনি।

হৌখিবা চহী অসিগী মার্চ থাগী অরোইবা চয়োলদা বাঘদাদকী মফম অমদগী আর্ম গ্রুপ কটেত হেজ বোল্লাহনা ফাজিনখিবা য়ু এসকী পাউমী সেলি কিতলসন অসি তেক্তা কায়দনা থাদোরক্লবা হোৎনবদা য়ু এসকী পেন্টাগোন, এফ বি আই অমদি ইরাককী সুপ্রিম জুদিসিয়েল কাউন্সিলসু য়াম্না চাওনা থৌদাং লৌখি হায়না রুবিওনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি পাউমী কিতলসন থাদোক্লগনি হায়না ইরাককী আর্ম গ্রুপ কটেত হেজবোল্লাহনসু ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি। মহাক খুদক্তগী ইরাক থাদোক্তুনা চৎখগদবনি হায়নসু মখা তানা খঙহল্লকখি।

## য়ু এস অমদি ইরানদা পিছ তোক চথনবা পাকিস্তাননা ইনভাইট তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি):

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা সিজফয়ার চৎনবদা ইরাননা অয়াবা পীদ্রবদি ইরানগী সিভিলাইজেসন তুম্না মাঙহনগনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুং ইখঙ খঙহৌদনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগা সিজফয়ার চৎনরে হায়না লাউথোকখিবগা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফনা য়ু এস অমদি ইরানগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিং ইস্লামাবাদতা লাক্তুনা তুংকোয়বা পার্মেনেন্ট এগ্রীমেন্ট অমা তৌনদুনা ইং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক পিছ টোক চথনবা আপিল তৌখ্রে।

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফনা মহাক্কী এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ইরান অমদি য়ু এসগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনবা হৌখিবা অসি নুংঙাইবা ফোঙদোকই। সিজফয়ার অসিদা লেবাননসু য়াওরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা লাক্লিবা থা অসিগী ১০দা ইস্লামাবাদতা য়ু এস অমদি ইরানগী দিলিগেটশিং লাক্তুনা ৱারী শান্ননবগীদমক শেম শাবা পূন্নমক লোইরে। য়ু এস অমদি ইরানগী মায়কৈদগীসু পার্মেনেন্ট ওইবা পিছ অমদি ষ্টেবিলিটি লৈননবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইস্লামাবাদতা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা পিছ টোক চথগদৌরিবা অসিদা পূন্নমক্লা য়ান্নবা সোল্যুসন অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্কী মফমদা য়াম্না চাওনা থাজবা থল্লি হায়না মহাক্না মখা তারক্লি।

## য়ু এস অমদি ইরানদা ইন্টরনেসনেল লোগী মতুং ইন্না মখাতাবা ৱারী শান্নবগী থবক চথনবা খঙহনখ্রে



য়ু এন, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি):

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনদুনা ৱারী শান্নবগী লম্বীদা লৈবাক অনিনা য়ানখিববু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। অদুবু হায়রিবা লৈবাক অনিনা মালেমগী লৈরিবা ইন্টরনেসনেল লো অমদি সিজফয়ার চৎনবগী চৎনকাংলোন অদু মপুং ফানা ইনগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গ্যুটরেসনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসি খুদক্তা লেপ্তুনা মশীং য়াল্লবা মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা শিবা-নাবা থোক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মথৌতাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গ্যুটরেসনা য়ু এস অমদি ইরাননা সিজফয়ার চৎনবগী য়ান্নখিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। সিজফয়ার চৎননবগী হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা পূন্নমকপুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## নোর্থ কোরিয়ানা বেলেষ্টিক মিসাইল কাপখ্রে, জপাননা করিগীদমক্তা কাপ্পনো থিজিন্নবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি):

সোর্ট রেঞ্জ মিসাইল কয়া ঙসি নোর্থ কোরিয়ানা লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুং খা থংবা সমুদ্র তম্না বেলেষ্টিক মিসাইল কাপখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা করিগীদমক্তা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং কাপখিবনো হায়বদু খঙদোক্লবা জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মরীলৈনবা মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংদা অকনবা ইনষ্ট্রকসন পীখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইল কয়া লোঞ্চ তৌরবা মতুং মখাতানা বেলেষ্টিক মিসাইল কাপখিবা অদুগা মরী লৈননা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সনে তকায়সিনা নোর্থ কোরিয়ানা খা থংবা সমুদ্রগী মায়কৈদা করিগীদমক্তা বেলেষ্টিক মিসাইল কাপখিবনো হায়বদু মরীলৈনবা ওথোরিটিজনা নিংথিনা ই-পাউ খঙদোক্লবা হোৎনদুনা লৈবাক মীয়ামদা মীৎকুপ খুদিংগী ই-পাউ খঙহনগদবনি হায়না অকনবা ইনষ্ট্রকসন পীখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট সিফোর্স ষ্টাফ (জে সি এস)না থাদোরকপা ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমদা নোর্থ কোরিয়ানা ৱুনসন এরিয়াদগী চাওরাক্লা কিলোমিটর ২৪০ রোম শানবা বেলেষ্টিক মিসাইল অমা লোঞ্চ তৌখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা বেলেষ্টিক মিসাইল কাপখিবগী থৌওং অসি সাউথ কোরিয়া অমদি য়ু এসকী অপূনবা দিফেন্স টিম অমনা নিংথিনা মোনিটর তৌদুনা মথৌতারবদি খুদক্তা খূৎ হন্ননবা শেম শাদুনা লৈখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

পনবা য়াবদি নোর্থ কোরিয়ানা ইখঙ খঙহৌদনা মপাঙ্গল কনবা বেলেষ্টিক মিসাইল ২ কাপখিবগী থৌওং অসি প্রোজেক্টাইল কয়া কাপ্পনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুং থংনবা মথংগী নুমিৎতা হায়রিবা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং অসি কাপখিবনি হায়রি।

নাক্ল অমরোমদা নোর্থ কোরিয়ানা বেলেষ্টিক মিসাইল খা থংবা সমুদ্র তম্না কাপখিবা অসি হিরম অমত্তদা মীপাইনিঙাই ওইদে হায়না য়ু এস-ইন্দো পেসিফিক কম্মান্দগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস-ইন্দো পেসিফিক কম্মান্দগী মায়কৈদগী থাদোরকপা ৱারোল অমদা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী থা অসিগী ৭ অমদি ৮দা বেলেষ্টিক মিসাইল কয়া কাপখিবা লৈরে হায়বা মখোয়গী মফমদা মরিকচুম্বা ইনফোর্মেসন কয়া ফংলে। ফংলিবা ইনফোর্মেসনশিং অসিদা য়ূমফম ওইরগা হায়রিবা বেলেষ্টিক মিসাইল অসিনা য়ু এস অমদি লৈবাক অসিগা মপাং ওইনা চৎমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী টেরিটোরিদা শীংনরকপগী থৌওং অমা নৎতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

## কন্দিসন পূন্নমক য়ু এসনা য়ারে, লান ঙম্লে হায়না ইরাননা ক্লেম তৌরক্লি: রিপোর্ট



ইরান, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ আমেরিকাদা ইরানগী মায়কৈদগী থমখিবা প্রোপোজেল খুদিংমক প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়াখ্রে। নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা শোক্লখিবা লান অসি ইরাননা মায় পাক্লে হায়না ইরানগী সুপ্রিম লীদর মোষ্টাবা খামেনৈনা ক্লেম তৌরক্লি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা সিজফয়ার চৎনদুনা নাকল অনিগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ইরানগী সুপ্রিম লীদর মোষ্টোবা খামেনৈনা লৈবাক অদুগী আর্ম ফোর্সশিংদা নুমিৎ ১৪নি নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পনবা খঙহনখ্রে। অদুবু হায়রিবা মতম অসিদা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবসু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈননবসু অকনবা ইনষ্ট্রকসন পীখ্রে।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর সায়েব অব্বাস অরাকসিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ইরান আর্ম ফোর্সনা মিলিটরি ওপরেসন লেপ্পিঙৈ করিগুম্বা এটেক চথরক্লিবদি লৈবাক অদুগী লৈজরিবা মপাঙ্গল কনবা আর্ম ফোর্সনা লৈবাক অসিবু ঙাক শেনবগী থবক মখা তানা চথগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অরাকসিনা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনবদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফ অমদি আর্মি চীফ অসিম মুনিরনা লৌখিবা থৌদাং অদুবুসু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মহুৎ শিন্নদুনা মহাক্লা হায়খি, য়ু এসকী মায়কৈদগী থল্লকপা পোইন্ট ১৫ অমদি ইরানগী মায়কৈদগী থমখিবা পোইন্ট ১০ পূন্না পোইন্ট ২৫গী ফ্রেমৱার্ক অমগী মখাদা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থবক চথরগনি।

নাকল অমরোমদা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনরবসু লৈবাক অনিগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসি লোইশিনবা নৎতে। ইরানগী মায়োক্তা অমুক হন্না এটেক চথরক্লিবদি লৈবাক অসিগী আর্ম ফোর্সশিংনা খুদক্তা খূৎ হন্দুনা লৈবাক অদুবু ঙাক্লনবা শেম শাদুনা লৈগদবনি হায়নসু ইরানগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংনা মরীলৈনবা ওথোরিটিজদা চেকশিন-ৱা থমখ্রে হায়রি।

মসিদা নৎতনা য়ু এসকা শোক্লখিবা লান অসিদা ইরাননা থমখিবা পান্দম অদু মপুংফানা ফংবা ঙম্লে। নুমিৎ ৪০নি নাকল অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা লান শোক্লরবা মতুং হোংলক্লিবা লানগী মায়োন অসি লৈবাক অসিনা লান মায় পাকপগী খুদম অমনি হায়নসু ইরানগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগী মায়কৈদগী লৈবাক মীয়ামদা পাউদমখ্রে হায়না ইরানদা বেজ তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংনা রিপোর্ট তৌনরক্লি।

## য়ু এস-ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার লাউথোকখ্রবসু লেবাননগী মথক্তা লেপ্তনা লান্দাখিগনি: নেটান্যাহু



টেল এবিব, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি):

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা সিজফয়ার চৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু সাউথ লেবাননগী মথক্তা ইজরেলনা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথখিগনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর নেটান্যাহুনা ফোঙদোকখ্রে।


য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগা সিজফয়ার চৎনরগনি হায়না লাউথোরকখিবা অদুবু শৌগৎলদুনা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুগী ওফিসতগী ওফিসিয়েল ওইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ইরানগী মথক্তা চয়োল ২গী ওইবা সিজফয়ার চৎনদুনা এয়ারষ্ট্রাইককী থবক লেপ্লগনি হায়না দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোরকখিবা অদু ইজরেলগী মায়কৈদগী শৌগৎলি হায়খি।

সিজফয়ার চৎনবা অসিনা ইরানগী মায়কৈদগী ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ খুদক্তগী হাংদোকপদা নৎতনা য়ু এস, ইজরেল অমদি রিজন অসিগী মথক্তা এটেক চথরম্বা অদু লেপ্লগনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী ইরাননা ন্যুক্লিয়ার, মিসাইল অমদি আমেরিকাদা টেরর এটেক চথনবা লাক্লোং চথদুনা লাকখিবা অদু দোনাল্ড ট্রম্পগী য়ু এস লৈঙাক্লা লোপহন্নবা হোৎনরিবা অসি থাগৎপা ফোঙদোকই।

চেরোল অদুনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসকী মায়কৈদগী সিজফয়ারগী মতাংদা য়ু এস অমদি ইজরেলগী মরক্তা অমত্তা ওইবা পান্দম অমগী মখাদা চংশিল্লিবা থবক থৌরমশিং ফংননবা হোৎনবা হায়বসি লেংদ্রবা অমনি, লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইজরেল অমদি ইজরেলগা মপাং ওইনা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংগা নেগোসিয়েসনগী থবক হৌরগনি হায়খি। য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা চৎনরিবা সিজফয়ার অসিদা লেবানন য়াওদে হায়না য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইজরেলদা থাজবা পীরকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

পনবা য়াবদি ইরানগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট ১০গী প্রোপোজেলদা য়ান্নবা পুরকপদগী সিজফয়ার চৎনদুনা বোম্বিং অমদি এটেক চথবগী ৱাফম অসি লেপ্পদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিবনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবসু লৈরি।

## Crossword # 1001



**Across**
1. Final
5. Finance
10. Grating sound
14. Bread topping
15. Curtain
16. Wind instrument
17. Rock's partner
18. Player
19. Rational
20. Erase
22. Music performance
24. What Moses parted (2 wds.)
27. Malicious looks
28. Astronomer Carl ____
31. Rapidity
33. Nursery item
34. Debt letters
35. Bother
40. Delta or United
42. Made of clay
43. Skill
44. Fedora, e.g.
45. Watermelon discard
46. Defeated one
48. Smooths wood
49. Movie music
53. Parentless child
55. ____ Hill (Congress locale)
57. Eat
61. Hymn ending
62. Crowlike bird
65. She, in Barcelona
66. Telescope glass
67. Serving perfectly
68. Petticoat
69. Medicine amount
70. Rental agreement
71. Turner and Williams

Puzzle Grid

**Down**
1. "____ of the Flies"
2. Sunburn soother
3. Broker's advice
4. Bearable
5. ____ out (narrowly defeated)
6. Gun owners' org.
7. Beaver's creation
8. Musical dramas
9. "Wish You ____ Here"
10. Comic ____ O'Donnell
11. Decrease
12. Sub finder
13. Pares
21. Hamilton bill
23. Transparent
25. Pump, e.g.
26. ____ de toilette
28. Scram!
29. Diva's forte
30. Lass
32. "All ____ Jazz"
34. Occupied with
36. Most peculiar
37. Leg part
38. Give temporarily
39. Outcomes
41. Small bay
42. Wyatt ____
44. Pronoun
47. Consolation
48. ____ Juan
49. Burn with steam
50. Engraved gem
51. Uncovers
52. Wash lightly
54. Door hardware
56. Verbal
58. She, in Lyon
59. Slipped
60. Faucets
63. By way of
64. Printing measures

পাউখুম লমায় ৯দা ...